HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




য়ঙ ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেশননা 'নুংশিনবনা অপূনবগী লিপুন শেমগৎলসি' হায়বা পান্দমগী মখাদা থস্বালখোং লিসম লৈরক্কী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবদা শরুক য়ারখিবশিং


লৌশিং পূক্কে : কার্বোহায়দ্রেট য়াওদবা ডাইট চাবনা ... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ফজবা খুদোল
মীকপ থোক্লসি ঐখোয় পূম্মক, মনাইগী লোনচৎ-শাজৎ ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ লৌমীশিংদা নীংথম থাগী মরূ-মরাং য়েন্থোকখ্রে
হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা রিপব্লিকান পার্টিনা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ রাঞ্জি ট্রোফি : মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশ থোইখ্রে


কোএলিশন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা ময়াই কাবা চীঙাক্ক া মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বগী মতাংদা পাঙথোকপা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম





Vol. 48, Issue No. 216 | থাংজ হিয়াঙ্গৈ ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 09, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### কোংগ্রেসতা য়াওননবা ক্যদা লেংদুনা লৈরে হায়খিবদু চুল্লম্লে

# এক্স-এম এল এ ২ য়াওনা মীওই কয়া কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

**এম পি ইলেক্সনদা মীয়াম্না বি জে পিদা পাড়া মচা অমা তস্বীখ্রে, কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্ব্লি মীখলদনা পাড়া অচৌবা অমা তস্বীনবা মীয়াম্না ঙাইদুনা লৈরি : ওক্রম ইবোবী**





মীরেপ ওইখিবা এক্স-এম এল এ ডা. খ্বাইরাকপম লোকেন অমসুং তামৈ এ সীদা মীরেপ ওইখিবা হান্নগী এম এল এ জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাইনা লুচিংবা মীওই কয়া পার্টি অসিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১০দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী ১২শুবা মীখলদা কৈশামথোং এ সীদা এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবা এল জয়েন্তকুমার অমসুং শীংজমৈ এ সীদা মীরেপ ওইখিবা ওইনাম রোমেন য়াওনা মীওই ৯ কোংগ্রেসতা য়াওরকপগী তরাম্না ওকপা থৌরমদা পার্টি অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবা মীওই কয়া ক্যদা লেংদুনা লৈরে হায়খিবদু চুল্লম্লে।

ঙসিসু কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মীখলদা শগোলবন্দ এ সীদা

ঙসি পার্টি অসিদা য়াওরকখ্রবশিংগী মনুংদা এ দি সী তমেংলোংগী হান্নগী চেয়রমেন হুমালিয়াবৌ, এ দি সী অসিগী হান্নগী মেম্বর রামৱাংদিন অবোনমাই, এম পি গুৱাং অমদি তাদিনাং গাংমৈ য়াওনা সোসল ৱার্করশিংদা লবনর চৱাং, অদাম থিয়ুমাই, মনাসেন ওহাৱাং, অচববৌ ন্যুমাই, জোন চারেনমাই অমসুং রামতিনেলে য়াওখি।

নৌনা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী 'ওদিও ক্লিপস' নি হায়বা চার্জগী পিটিশন

# সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা হায়: পিটিশন অসি দিসমিস তৌদে, ওদিও ক্লিপশিং অদুগী 'মেটেরিএল ওন রেকোর্দ' খরা পুথোরক্কদবনি





**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী):** মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী চথরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী চৈরক্তা লান শোক্লরিবা ফূরুপ অনীগী মনুংদগী অমদা ফজদবা মীৎয়েং য়েংবগী ৱাফমশিং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারী খরদা ফোঙদোকখিবগী 'ওদিও ক্লিপ' শিং ভাইরেল ওইরকখি হায়রদুনা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইট্স ত্রষ্ট (কে ও ঐচ আর টি) না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমা ঙসি এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা বেঞ্চ অমনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা ভাইরেল নৎত্রগা লিক ওইরকখি হায়রিবা ওদিও ক্লিপশিং অদুগা মরী লৈনবা ওদিও ক্লিপশিং অদুগী 'ওথেন্টিসিটি' তাকপা মেটেরিএল ওন রেকোর্দ খরা পুথোরক্লবা চীফ জষ্টিসনা দিরেক্সন পীখ্রে।

কে ও ঐচ আর টিনা ফাইল তৌরকখিবা ৱাকৎ অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিনা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ৭০২ ওফ ২০২৪ (পি আই এল-দব্লিয়ু) ওইনা ঙসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরিবামগী লানফম : য়ূম তরেৎ মৈ চাক্লম্লে, নুপী অমা শিরম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.১১ রোম তারকপদা জিরিবামগী মোংবুং মীতৈ খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা খুল অসিগা তাইননা লৈবা মায়কৈ অনীদগী অফবা মখলগী নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা অকনবা লান চথরকপদগী খুল অসিবু ঙাক্লক্লিবা খুল ঙাকপশিংগা অকনবা মওংদা পুং ১ রোম চূপ্না খূৎ থোক্লখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা মীশি-মীনা য়াওখিদ্রবসু মোংবুং খুলগা তাইননা লৈরিবা পাইতে অমদি মারশিংনা খুন্দাবা চাইরোলপোকপী খুলগী য়ূম তরেৎ মৈ চাক্লস্বদা নত্তনা জোসাংকিম মার, মপুরোইবা ঙুরথাংশাং মার কৌবী নুপী অমা শিরম্লে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, কুকি টেররিষ্টশিংনা মোংবুং খুল তম্না এটেক চথরকখিবগা লোয়ননা খুল অসিগী য়ূমশিং মৈ থাননবা হোৎনরকপদগী খুল ঙাকপশিংনা অকনবা মওংদা মায়োক্লখি। মসিদগী কুকি টেররিষ্টশিং অদুনা খোঙফম হন্দোক্তুনা চেনবা হৌরকপদা খুল ঙাকপশিংনসু মখোয়বু তান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা জোসাংকিম মার কৌবী নুপী অসি হাইদোরকপা মরূনা পান্দুনা লৈখিদবা ওইগনি হায়রি।

য়ূমশিং মৈ চাকপা খক্তা নত্তনা খুল অদুদা লৈবা জুনিয়র হায় স্কুল অমসু মৈ চাকখি। ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরদুনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ঙসি অয়ূক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোইশিন পুরকপদা 'থর্দ পার্টি' য়াওহন্দ্রবদি নৌহৌননা খূৎলায় পায়খৎলগনি : মুইভা

**দিমাপুর, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :**

ঙসিদগীনা চহী ৯ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুগী মতুংইন্না ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক 'থর্দ পার্টি' অমা য়াওহন্দ্রবদি এন এস সী এন - আই এমনা অমুক হন্না নাগালিমগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী অমসুং মহাক্কী নীংতম্বা ঙাকচনবগীদমক খূৎলায় পায়রগনি হায়না লালহৌলূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভানা ফোঙদোকপা চেরোল অমা ঙসি থাদোরক্লে হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

চেরোল অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং ঙাক্না চৎত্রে হায়নসু মরাল শীরকখি। মরম অসিনা নাগালিম অমসুং এন এস সী এননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা থবক্তা ওন্থোরকপা ঙাইররোই অমসুং নাগালিমগী নীংতম্বা নেশনল ফ্লেগ অমসুং নাগালিম সোভরেন নেশনল কন্সটিট্যুশন অমা শেল্লকপসু ঙাইররোই হায়বগী অকনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লে হায়রি। হৌজিকমকসু এন এস সী এন - আই এমনা নাগালিমগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী ঙাক শেঞ্জবগা লোয়ননা নাগালিম সোভরেন নেশনল অমগীদমক থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়রি।

মহাক্কী চেরোল অসিবু হৌজিক চথরক্লিবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল নেগোসিএশন অসিগী পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্ট অমনি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

লোয়ননা মহাক্কী চেরোল অসিগী অরোইবদা নাগা মীয়াম্না মখোয়গী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক শেম শাদুনা লৈবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরকখি।

## নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী কেসশিং কমপ্রোমাইজ তৌরগা লোইশিনবা য়ারোই : সুপ্রিম কোর্ট

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং পীখিবা লেন্দমার্ক জজমেন্টনি হায়বা য়ারবা ৱায়েল অমদা স্কুল ওজা অমগী মথক্তা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা পোক্সো (প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স) কেস অমবু থৌদোক অদুগী চহী নৌরিবা ভিক্টিম অমগী অপোকপা মপাগা ওজা অদুগগী মরক্তা 'কমপ্রোমাইজ' তৌখ্রে হায়দুনা রাজস্থান হায় কোর্টনা কেস অদুবু ক্বাশ তৌখিবা অদু য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসি ওজা অমনা চহী নৌরিবা ভিক্টিম অমদা মহাক্কী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌওং চথখিবদগী পুলিসনা পোক্সো এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা ওজা অসিগী মথক্তা রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু কেস অসিগী মরী লৈনবা ৱাফম রাজস্থান হায় কোর্ট য়ৌরকপদা হায় কোর্ট অসিনা সী আর পি সীগী সেক্সন ৪৮২না পীবা পৱার শীজিন্নদুনা পোক্সোগী কেস অদু ক্বাশ তৌথোকখিবনি হায়রি।

হায় কোর্ট অসিগী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা এপেক্স কোর্টতা আপীল অমা ফাইল তৌরকখিবদগী ঙরাং সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস সী টি রবিকুমার অমসুং সঞ্জয়কুমার অনীগী বেঞ্চনা আপীল অসিবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এক্সিদেন্টদা ৮শুবা এম আরগী পর্সনেল ১ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুং ৮.২৫ রোম তারকপদা ককচীং পি এসনা কোল্লিবা সোরা চীং ৱাংমা, এন ঐচ-১০২দা গাড়ী অমনা থোল্লস্বা ওইগনি চিংনবা থৌদোক্তা ৮শুবা এম আরগী রাইফলমেন অমা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী মমিং নোংমাইথেম শান্তিকুমার (৪৩) অপোকপা এন ইরাবোত কৌই, লমদিং চেরাপুর মনীং লৈকায়দগীনি হায়রি।

মহাক হৌজিক ককচীং কম্যান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈরকপদগী হৈক্রুকপোকপী পৱার সব ষ্টেসনদা দিপ্লোই তৌবনি। মহাক ঙসি নুমিদাং পুং ৮.১০ ফাওবা দ্যুটি তৌরম্লগা হোন্দা এক্টিভা এম এন-০৫/ঈ-০৮৭২ তোংদুনা ময়ূমদা চৎলুগে হায়রম্লগা থোকখিবদা থৌদোক অসি মায়োক্লখিবনি। লৈখিদ্রবগী হকচাং পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলগা থিজিনবা হৌখ্রে।

# হেদ মাষ্টর ফূরম্ববু মহৈরোয় লূপশিংনা কন্দেম তৌরক্লি

## ওজাশিংবু ইকায়খুম্নসি : মহৈরোয় লূপ ৬

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টরবু শকখঙদবশিংনা ফূরম্বসি মহৈরোয় লূপ তরুক- এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসনচিংবা লূপ তরুক্কী প্রসিদেন্ট তরুক্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা খুন্নাইসিদা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপীরিবা, তাকপী তস্বীরিবা ওজাশিংদা ফূ-চৈবগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী মালেমসিদা খুন্নাই অমা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবা মতমদা ওজাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াবা ঙম্নবা অওন্বা থাক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শেলগী দিমান্দদা ওজা ফূরস্বা য়ানীংদে : কোওর্দিনেটিং কম্মিটি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং অয়ূক পুং ১০ তারমদাইদা ইরিলবুং হায় স্কুলদা শকখঙদবা লালহৌলূপ অমগী মী ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অনীনা মহৈশঙ অসিগী হেদ মাষ্টরবু মহৈশঙ অসিমক্তদা ফূরম্বগী থৌদোক অমা থোকখিবসি খ্বাইদগী লাইৱক থীবা তৌহৈদবা থৌওং অমনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্ভেন্স ফ্রী এদ্যুকেশনেল জোন দিমান্দনা লৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

কম্মিটি অসিগী কনভিনর ময়েংবম সোমোরজিৎ মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ওজা ফূবদা চেন্নবশিং লৈঙাক্না ফারগা চৈরাক পীয়ু : এস এস য়ু এম

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

খুন্নাই অমদা ওজা হায়বসি অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা থল্লিবনি হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি বিকাস লুৱাংনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাইবক থীবা মতৌদা ওজা অমবু মশাগী স্কুল কেম্পস মনুংদা ফূরম্বগী থৌদোক অমা ইরিলবুং হায় স্কুলদা চথরম্বসি এস এস য়ু এমনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ানীংদে হায়রি।

মরম অমা নৎত্রগা অমগী ওইরবসু মহৈরোয় ময়াম অমা লৈরিবা স্কুল কেম্পস মনুংদা হেদ মাষ্টর অমবু মশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সেন্ট্রেল ফন্দশিং নীংথিজনা শীজিন্নবা ফাইনান্স কম্মিসনগা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা সেন্টরনা পীরকপা ফন্দশিং নীংথিজনা শীজিন্নবগী পান্থেশিংগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী ওফিসলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মীফম অসিদা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিংগী খূত্থাংদা মণিপুরগীদমক এলোকেশন তৌরকপা ফন্দশিং নীংথিজনা শীজিন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা হেন্না খুমাঙ চাওশিলহন্নবগীদমক গ্রান্ট-ইন-এইদ পীবগী মতাংদসু খন্নখি অদুগা অকক্লবা প্রোজেক্টশিং থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়ারখিবা ১৬শুবা ফাইনান্স ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## এম পি এস ওফিসর ১৩ আই পি এসতা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ঙসি থোকপা নোটিফিকেসন অমদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এম পি এস ওফিসর ওইনা থবক তৌরকখিবা মীওই ১৩বু ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস) তা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রি।

আই পি এসতা এপোইন্টমেন্ট পীরবশিং অসি কুমজা ২০২০দগী লাকখৎলগা পীরকখিবনি। হায়রিবা চহী অসিদা আই পি এস ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরবশিংনা লেনিন লমাবম, থোকচোম বিক্রমজিৎ, খোইস্নাম শর্মা, হোপসন সাপম অমসুং ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনি। কুমজা ২০২১দনা হৈস্নাম বলরাম, কুমজা ২০২২দনা ৱাথম বাসু, শর্দা লাইশ্রম অমসুং ধনপ্যারি বিষ্ণুলাৎপমনি। অদুগা মমাঙগী কুমজা ২০২৩দা আই পি এস ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়রিবশিংনা ৱাহেংবম সিংহজিৎ, রাসিনি য়েংখোম, পোলেম মঞ্জিৎ অমসুং কে মেঘচন্দ্রনি হায়রি।

## মৈ লান্না শীজিন্নরম্বা ৯ ফারে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর (কম্মর্সিএল) না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা লোয়শঙ অসিগী ওফিসলশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা রেয়দ চথবদা মৈ লান্না শীজিন্নরম্বা ককচীং দিভিজন এরিয়াদগী ১, শুগুনু সব ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# 'ইমানদি ঐবু 'অঙাংশিংগী হোম' দা থম্নবা অবোক্তা শিন্নরকখিবনি অদুবু অবোক্কা- ইপুবোক্কনা ক্লাস আইট ফাওবা তমহনবীরক্লবা মতুং ফি শাদুনা শেল তাল্লকখি'

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**য়াইরিপোক নিঙেলগী চীংখোঙদগী খুঞ্জা**



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

কুকি টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লান অসিগী মনুংদা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাদোক্তুনা তাল্লকপগী চৈথেং ফংদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ১৭ খক্তমক শুরিবী নুপীমচা অমনা মহাক্কী পূন্সি অমসুং লান অসিনা মঙোন্দা মায়োক্লহনবীরকপা থৌদোকশিং পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ঐহাক য়াইরিপোক নিঙেলগী চীংখোঙদা য়ূমদোমপোক ওইনা লৈবা ইমুং অমগী অঙাংনি। ইচিল ইনাও পূম্না ৪গী মনুংদা ঐহাক্না ইতোন তোনবীনি। ঐহাক য়াইরিপোক নিঙেলদগী ওইজরবসু পোকপদগী অপোকপা ইপাগী মশক খঙহৌখিদে অমসুং ইমুংগী লৈত-লায়রগী ফীভমশিংনা মরম ওইরদুনা ঐহাক্কী নীংবা থুংহন্দুনা চাউনবা য়োকপা ঙম্লরোই হায়দুনা ইমানা ঐহাকপু ইমা পোকপা অবোক্তা শিন্নরক্তুনা অঙাংশিংগী হোম অমদা থম্নবা হায়রকখিবনি। অদুবু অবোক্না মহাক লৈরিঙৈদা মশু ওইবী ঐগীদমক অঙম্বা হোৎনগনি হায়দুনা ইপুবোক্কা অবোক্কনা ঐবু দুকান্দগী শঙ্গোম লৈরগা পীজ-পীথক্তুনা চাউননবা য়োক্লকখিবনি।

ইপুবোক্না চীংদা চৎতুনা শীং চল্লি অদুগা অবোক্না ইঙ্খোলদা মনা-মশিং থাদুনা ঐহাক্কী অৱাং অপা য়েংশিনবীরকখি অমসুং স্কুলদা ফাওবা থাবীদুনা লাইরিক তমহনবীরকখি। অদুবু নোংমা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা অবোক্না মীগী য়ূমগী ষ্টিয়রদগী তারক্তুনা মখ্বাংদা শোকখিবদগী মহাক মখা তানা শূবা-নোম্বা ঙমখিদ্রে। মসি খক্তা নত্তনা অবোক মথন্তা চৎপা-খোৎপসু ঙমখিদে। ফীভম অদুদগী ঐহাক অবোকপু শেন্নদুনা লৈবা তারকখি। শোনজিল্লক্লবা ইপুবোকসু চীংদা তোয়না শীং য়ানবা চৎপা ঙল্লকখিদে। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা ঐহাক ক্লাস আইট তম্বা লোইরবা মতুংদা মখা তানা লাইরিক তমথনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। ইমুংগী শেম্থোক লম্বী লৈরক্তবদগী তঙাইফদনা ঐহাক ফিশা-লোনশা তৌদুনা ফংলকপা শেল খরনা ইমুং পুনবা হোৎনরকখি।

নুপীমচা অসিনা পাউচে অসিদা হায়, অবোক অমসুং ইপুবোক্কা শূবা-নোম্বা ঙল্লিঙৈ মতমদদি ঐহাকপু লাইরিক ফাওবা তমহনবীরকখিবনি। (মথং-মথং)

## নোংমা-নীনিসিদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :**

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনদা পাঙথোকপা জল জিবন মিসন প্রোজেক্টকী এনগেজ তৌখিবা শিন্মীশিংগী পীফম থোকপা খূৎশুমল পীবিদে হায়রদুনা ঙরাং অয়ূক পুং ৬তগী ঙসি নুংথিল পুং ৬ ফাওবা তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চনবা নেশনল হায়ৱে-৩৭কী এরিয়াদা চেল্লিবা গাড়ীশিং থিংবা য়াওনা টোটেল বন্দগী খোঙজংনা হায়ৱে অসিদা চাউনা অপনবা পীখ্রে। অদুবু খোঙজং অদুদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোকখিদে হায়না জে এ সী ওইনামলোং সেগমেন্ট তৌসেম সব দিভিজন (তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট) কী এদভাইজর সাংক্কেপৌ গোনমৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## ঙসি ববিনা দাইগ্নোষ্টিককী ৪১শুবা মপোক কুমওন্দা কিদনি অমসুং দাইএবেটিসকী টেষ্ট লেম্না পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস) :** অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি অমা ওইরিবা কুমজা ১৯৮৩দা লিংখৎখিবা মণিপুরগী ববিনা দাইগ্নোষ্টিককী ৪১শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকায়দা লৈবা ববিনা দাইগ্নোষ্টিককী মেন লেবোরেটরিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা কিদনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পি এম জি এস ৱাইগী থবক্তা ইষ্টিমেটেদ কোষ্টতগী হস্তনা শূগনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু : য়ু পি পি কে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ :** য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) গী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি নোংদম্বা মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা পি এম জি এস ৱাইগী থবক্তা ইষ্টিমেটেদ কোষ্টতগী হস্তনা থবক শূগনি হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, কংলৈ খুন্নাইবু য়ু পি পি কেনা থস্মোয়নুংদা থম্বা অমদি শিন্নরকপা থৌদাং পাঙথোকপা হায়বসি লূপ অসিগী সী সীনা লৌখিবা ৱারেপ ওইবনা ঙসি ফাওবদা কাঙলোন কায়না খোঙ থাংদ্রি হায়রি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫